**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) জেলিয়াংরোং ফুরুপকী লৌরোক কুম্মৈ গান ঙাই ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্লি।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্য অসিদা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা ঙাগী পোত্থোক পুথোকপা ঙম্বগীদমক ঙামীশিং অমসুং ফিসরি বিভাগপু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিবু চাওখৎহনবদা নহাশিং য়াওহন্নবা হোৎনবদা বিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**------**

গান ঙাই (এল)ঃ জেলিয়াংরোং ফুরুপকী লৌরোক কুম্মৈ গান ঙাই ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম ষ্টেট লেবেল কবুই গান ঙাই সেলেব্রেসন কমিতি মণিপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী চীংপু কবুই ভিলেজদা পাঙথোক্কনি।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি, মন্ত্রিশিং য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মণিপুরগী মীয়ামদা মরুওইনা জেলিয়াংরোং কাংলুপকী মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- লৌরোক কুম্মৈ অসিনা লাকপদা জেলিয়াংরোং কাংলুপনা লৈখিদ্রবা থৱায়শিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। লোয়ননা অরিবা চহিবু বিদাই পীবগা লোয়ননা অনৌবা চহিবু মপুং ফাবা আশাগা লোয়নন তরামা ওক্লি। কুম্মৈ অসিনা মণিপুরদা চহি কয়াগী মমাংদগী জেলিয়াংরোং কাংলুপকী ধর্ম্মগী ওইবা ফেষ্টিভেল অসি অতৈ কাংলুপ কয়ানসু পুন্না পাঙথোকমিন্নদুনা অফবা মাইকৈরোমদা পুরকপা ঙন্বা অসিনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মহাক্কী পাউজেলদা হায়- গান ঙাই কুম্মৈ অসি চহি লোইবগী বিদাই পীবা অমদি অনৌবা চহিবু তরামা ওকজবগী কুম্মৈ অমনি। কাংলুপ অসিনা মখোয় মখোয়গী ফৌগৈদা চান থকবশিং নিংথিনা পৈশিনবা ঙমহনবগীদমক মপুবু থাগৎপগী থৌরম পাঙথোকৈ। কুম্মৈ অসিগী শরুক অমা ওইনা মৈবা চিংদুনা পুথোকপা মৈ অদু কাংলুপ অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংদা য়েনবগী চৎনবী লৈরক্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংঙাই য়াইফবা, মচিন মনাউ ওইবা, অমত্তা ওইবা অমদি নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

মহুদ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনসু কুম্মৈ অসিনা লাকপা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্য অসিদা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা ঙাগী পোত্থোক পুথোকপা ঙন্বগীদমক ঙামীশিং অমসুং ফিসরি বিভাগপু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঙরাং পাঙথোকখিবা ইমোইনু ফিস ফেষ্টিভেলদা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ৮০ হেন্না পুথোকপা ঙমখি। লমদম অসিদা য়োকপা শরেং অমদি নুংঙা মরাং কায়না পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফংহনখি।

শরেং (এল)ঃ   ফিসরিজ মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- ভারতকী মনুংদা খ্বাইদগী হান্না শরেং মচা পুথোকপা রাজ্য মণিপুরনা ওইরে।

ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা ঙরাং ইমোইনু নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা ঙাগী মেলা তৌফমদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মন্ত্রিনা হায়- মণিপুরদগী মৈতৈ শরেং মাংলুরবা মতুংদা ম্যান্মার অমদি বঙ্গলাদেশতগী শরেং পুরক্লুনা মণিপুরদা মচা লৌদুনা মৈতৈ শরেং অমুক হন্না পুথোকপা ঙমবা মহাক্কী দিপার্টমেন্টনা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। শরেং অসি অতোপ্পা ঙা মচাশিং চাথোকপা মরমনা মসিবু নৌনা পুথোকবা য়োকপা অমদি মচা পুথোকবা হোৎনবদা অচৌবা শিংনবা কয়া থেংনখি। মমৈথংদা মণিপুরদা শরেং মচা পুথোক্লুনা য়োকপদগী মীয়ামদা ফংহনবা হৌরে। মহাকা হায়- হৌজিক পুথোক্লিবা শরেংগী চাং অসিগা মণিপুরগী মীয়ামা পামরিবা অসিগী মরক্তা লৈরিবা অহোবা অসি মেনশিন্নবা বিভাগ অসিনা কন্না হোৎনরি।

পুলিস (এল)ঃ   সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর অমসুং তেংনৌপল জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপ্নবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ওল্ড গেলমোল ভিলেজদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা এ.কে. ফিফতিসিক্স রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, কন্ত্রিমেদ নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মরি অমসুং হেন্দগ্রেনেদ অমা ফাগৎপা ঙমখি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা চবাংফাই অমসুং গোবাজাং খুলশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কিলোগ্রাম অমরোম লুম্বা আই.ই.দি বোম অনি, কিলোগ্রাম মঙারোম লুম্বা আই.ই.দি অমা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতগী মীওই অনি ঙরাং গঞ্জা কিলোগ্রাম ৩১ রোমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

করফিউ (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কাংপোকপীনা কোনশা খুল অমসুং লৈলোন ভাইফৈ ভিলেজগী অকোইবদা পাব্লিক করফিউ ঙরাংদগী থমজিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কাংপোকপী- মহেশ চৌধরিনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়- কোনশা খুল অমসুং লৈলোন ভাইফৈ ভিলেজগী এরিয়াদা শান্তি রক্সাগী ফিভমদা চাউনা অকায়বা পীরকপা য়াবা, মীওইবগী পুন্সি অমদি লন থুম অমাং অতা থোরকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী পাব্লিক করফিউ অসি থম্বনি।

ঈ (এল)ঃ  ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা রিমসকী ব্লড সেন্তর এন্দ ত্রান্সফ্যুজন সার্ভিসেস, এসোসিয়েসন ওফ ব্লড দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমদি অতৈ লুপ কয়াগা খুৎশমরগা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ হাইস্কুলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুগী শরুক অমা ওইনা লেমা মীৎ অমদি য়া লায়েংবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। ঈ দান তৌবগী থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ৬০ না ঈ দান তৌখি।
মীলাল (এল)ঃ  মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়না শিনলোন অপুনবা লুপ (মিলাল)না শিন্দুনা লুচিং পুরেল চীংশুবম অকাবা লৈখিদবগী ১৮ শুবা নিংশিং থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবা লুচিং পুরেল অসিগী মফম লৈ কৎতুনা মীলালগী থৌমীশিংনা ইকায় খুমবা উৎখি। মীলালনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মীতৈ ময়েক অমদি মণিপুরী লোলবু চাওখৎনবা হোৎনবদা মীয়ামসু অঙম্বা মতেং পাংবীবগী তঙাইফদবা লৈ।

মোদি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিবু চাওখৎহনবদা নহাশিং য়াওহন্নবা হোৎনবদা বিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

মহাকা হায়- থৌরম অসিনা লৈবাক অসিবু বিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী মঙলান অদু নহাশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমসুং তৌবা ঙম্বশিং অদুনা মায় পাকহনবা ঙমগনি। নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা চখুরিবা বিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ ২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা ঙসি পাঙথোক্কদবা নেসনেল য়ুথ

ডেদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা লুচিংবা লিশিং অহুমলোমগা উন্নগনি। থৌরম অসিদা নহা লুচিংবশিংনা বিক্সিত ভারতপু মঙফাওহন্নবগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা প্রজেন্টেসন কয়া উৎকনি।

অসাম ঃ অসামগা মেঘালয়গা লোন্নবা ঙমখৈ জিলা দিমা হসাওগী উমরাংসোদা ঈশিং থুমজিনখ্রবা কয়লা খনি মনুংদগী মীওই মঙা ফংবা ঙমখ্রে। নেভি, লান্মী, এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, ও.এন.জি.সি, কোল ইন্দিয়া অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পুন্না হোৎনবদগী হকচাংশিং অদু ফংবা ঙমখিবনি। মখোয়না ঙরাং পুং ১৫০ চংনা থিরবা মতুংদা মীওই অহুমগী হকচাং ফংবা ঙমখিবনি। মীওই মঙা অদুগী মনুং মীওই মরি মশক খঙলে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই অনি পুলিসনা ফাগৎলে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙরাং মরামদা চত্তুনা লুপা কোতি ৪৩ রোমগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনখিবা, থৌরমদুদা হৌজিক লৈরিবা ইরাং লোইশিনবদা নাগাশিংনা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌখিবা, ফিসরি বিভাগনা শিন্দুনা ইমোইনু ফিস ফেষ্টিভেল পাঙথোকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সি.এমনা মরামদা ক্রোর ৪৩ গী প্রোজেক্টশিং উরেপ উযুং তমখ্রে, ইরাং লোইশিনবদা মতেং পাংবীনবা নাগাশিংদা সি.এমনা আপীল তৌখ্রে হায়বা পাউ অসি সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফমদা- নাগা ত্রাইবতি মী লিশিং ৫০ য়ৌদ্রি, নাকল অমদনা চাদা ৪০০ হেনগৎখ্রে- এন. বিরেন হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- ইরাং মরক্তা মার পিপল কনভেন্স(দি)দা ক্রোর ৬ লাখ ২৭ পীরম্লে হায়না কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

কুকিনা মৈতৈ অসি শুংচৎ চৎহনলরোই হায়রবদি ঐখোয় চরা হেনগদৌরিবনি- এম.এল.এ রামেশ্বর, ক্যামগেদা চীংঙু মাইচৌ ৭ কী মীতম মায়খুম হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঙাগী মেলাদা মৈতৈ শরেং অমসুং নুংঙানা খ্বাইদগী দিমান্দ লৈখি, ইন্দিয়াগী মনুংদা শরেং মচা পুথোকপদা মণিপুরনা অহানবা ওইরে- ফিসরি মিনিষ্টর হায়বা পাউ অসি মণিপুর নিউজদা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- সেন্তর অমদি ষ্টেট লৈঙাকা লান লোইশিনবা ঙমদ্রবদি চীংমী তম্মী পুনশিল্লগা য়েকবশিং থেংনগনি হায়না রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপেসতা- কোনশা খুল, লৈলোন ভাইফৈ ভিলেজদা করফিউ থমখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- পি.কে. সিংহনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইরবা য়াই হায়বা পাউ অমা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা হোংবৈদা হাংবা অসাম রাইফলসকী কেম্প অমা মীয়ামা থুগাইখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- ইরাং লোইশিন্নবা হোৎনবদা নাগা লুচিংবশিংনা অচৌবা দাইত্ব লৌবীনবা চীফ মিনিষ্টরনা আপীল তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------